শৈথাবীনবা ৱাৎতবী লৈশক লৈচু চঙখোনবী ইঙেন থাগীদি মমোল্লোই মগুণ চাওবী-ইঙেল্লে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে, /চিন্নদনা কেনখিবা, /কল্লকইদে, /হা কল্লকই-দে!! ঐনা কেনগে কেনবরা, /মালংবনা হুন্বগী, /কেনবনিদে, /হা কেনবনিদে/ মালং ঐদি কৈদৌদে, /লৈরাং লৈখোক লোইবনা/ কেনবনিদে, /হা কেনবনিদে। ময়েক্কা নুংশিবনে শৈহেক শৈদানা ফজবনে হন্না হন্না তাদুনসু পেন্নাইদে। তু চুংবখৈ নুংশি ফজে। লৈশক লৈচুনা হেন্থোইবনে য়েংবগী পেনবা নাইদে। মতম অমদা চীংদা নারক মোংশোংখক্তদা শাৎলম্বনরা চীংঙু মাগী খুয়াখাদসু য়ৌঙমদা নমু তাইবঙ কনাগী নাপগী নাচোম ওইবসু ঙমদনা মাগী পুন্সি চেংজেন লোইরক্লবদা মদোম লৈখোক্তগী কেন্দুনা মাঙখিবনরা নুংহিক্লনা শৈথারল্লিবসে। অৱা চৈনা খাঙবখৈ খাঙলল্লগা পুন্সি পিখন্নখ্রবশিংগা চাংদম্নবা শৈথারোল ওইনা তৌই। মরী লৈনবা ৱারী অমসু থন্বীরম্মী। অশাংবম মিনকেতনগী ***খোংনাং হোগায়বী*** হায়না মিংথোনবা ৱারেংদা য়াওরি - মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মশানৌ কোরৌ নুংশেল চাইবীবু থাঙ্গাল চীংদা থৈখ্রবদা মশাবী খাইনা মৈশা খাঙনা লেঞ্জখি। মপারী পামহৈবা ফংজ রে। অৱাবগী মথক্তা অৱাবনি। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা থাঙ্গাল চীংদা খোঙলেঙলকপদা মপারীগা থেংনখ্রে। মপারী পামহৈববু সনা কোনুংদা পুখৎখ্রে। মপারী শেংনা মৈচাক খাঙঙমদ্রবী নুংশেল চাইবী থাঙ্গাল চীংদা পুন্সি পিখন্নখি। মৈদিংঙুনা নীংঙমদনা তেংথাবা অমদি মশানৌগী থৱায়না নোংদোনথক্তগী পাউখুমদুনা অৱায় অখুম তৌনবা শৈথারোলনি। অসুম্না থৌশাবীদ্রবা পুন্সিবু ইঙেল্লেগা চাংদম্নরম্বনা লাইবক থীবী লৈরাং অমা ওইরবগুম্না খন্নে। অদুবু মুন্না খন্থরবদি ইঙেল্লেদি লাইবক ফবী শীংঙেল লৈরাংনি। মণিপুর অমদি চীংলোন ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা ইমাগী মচাশিংগী মরক্তা লৈরাং মাগী শৈশক শৈথারোলসিবু তাদবা ঙমদবা কনাবু য়াওরমদগে? থোইনা হেন্না নুংওল্লিবদি মতম অমদা চীংনুং মান্নুংদা কনানসু খঙবীদনা শাৎলম্বী লাইবক চাউবী লৈরাং ইঙেল্লেনা তম্পাক্লমদা লৈকা ফন্না শাৎপা উরকপসিনি।

অসিগুম্বা ইঙেল্লে অসিগী মতিক ময়াই মনুং থিৎনা খঙলবা ইপা ইপুশিংনা লৈরাংগী মরমদা শৈথাবা লৈরোল ৱারী থন্বীরম্মী। নোংমা ইঙেন থাদনি, খ্বাই লাইরৌলেন্বীনা মপা ইবুংঙোগী মফমদা কোংয়াং ৱা নিবা শেল্লোই লাংমাইচীংদা লাকখি। অদুবু লাইগী ৱা ওইবনা নুমিৎ থা য়েংদনা পংয়ান য়ানবা য়ারোই তৌহৈদে হায়রকখি। করিগুম্বা য়ানবা তারগদি লৌগী ফৌ শাৎপা ঙমদনা পোমগংনদুনা মহৈ লোকপা ঙল্লোই হায়না তাকপীরম্মী। মতম অদুদা মবুং কারল লমঙাকপনা য়ানবা য়াবা কোংয়াং ৱা হৌবা মফম তাকপীগে হায়দুনা অঙন্বা অৱাংবা অশুকপা চীংদোন্দা মচন্নুপীবু লমজিংদুনা পুরক্লম্মী। অসুম্না লাকপদা নুমিদাংৱাইরম ওইরক্তুনা কৈরৌহনবা নুমিৎসু তপ্না তপ্না নোংচুপথংবা চীংখোঙদা তপ্না তপ্না কুমথখিরম্মী। মতম অদুদা অশুকপা চীংনুং অদুদা লৈশক লৈচু হেল্লবী ইঙেল্লে লৈরাংনা ঈংনা চিক্লা তূমিন্না লৈশাৎ তম্বদু থেংনরম্মী। লৈরাং অদুবু উরুবদা লাইরৌরেম্বীদি পুংশুম শুমহৎখিদুনা পাঙথোক্তদবা মথৌ ফাওবা কাউথোক্লম্মী। করি লৈরাংনো হায়না মথন্তা হংজরম্মী। লৈরাংবু উরুবা মীকুপ্তা মবুক্লিং খোয়রাংবা অমদি নুংওনবা ফাওরম্মী। শীংঙেলগী মউ অদু শেল্লোই চীংদা হৌবা ৱাগী ৱাশানা শেন্বা শাজে, মনাবু নুপী ওইবীশিংনা ফী শাবদা শীজিন্নবা তেমগা চাংদম্নরম্মী। পোল্লিঙৈদা নুরা ওইবীশিংগী খূৎশাগা পাংখক ওইবা লৈশাৎ তম্লকপা মতমদা লুপা নাচোম মানবা লৈরাং ওইদুনসু অৱাংবা অশুকপা চীংদোন্দা শাৎপনা চীংঙু খুয়াদা য়ৌবা ফংলরোই হায়না লাইরৌলেম্বীনা তকসি শোল্লম্মী। তাইবঙ কনানসু খঙবী উবীদনা কনাগীসু নাচোম ওইঙমদনা লোইবী চীংগী নাপোমদা লৈরাং লৈনুংশিনা মদোম মাঙবদু কল্লকই হায়নসু তেংথারম্মী। অসুম্না ইঙা থাদা ইহুল্লগা ইঙেন থাদা শাৎপী লৈনি হায়দুনা ইঙেল্লে হায়না মিংথোনখি। পোইরৈ মৈতৈ লমদমদা লৈরাংগী মরমদা শৈশক শৈথাদুনা তুংগী মীরোন্না শরু-শোন্নহৌরসনু হায়বা ৱাফম থল্লম্মী। মরী লৈনবা মতাংবু অসুম্না শৈথারি - ***শিঙেন নঙদি লৈনুংশি/চীংঙু খুয়া ফংলরোই/তাইবঙ কনা চিনলরোই/লোইবী চীংগী নাপোমদা/ লৈরাং নদোম মাংবদো/কনলকইদা লৈনুংশি/লাইরৌ লেম্বী ঐহাক্লা/শিঙেন কোলোয় থোনলমগে/লৈরাং কোলোয় নমিংসে/পোইরৈ মৈতৈ চাদোননা/শীংথা খুদিং য়াওজ রো/তেংথা খুদিং শকচগে/লৈরাং নঙদি লৈনুংশি/ইঙা থাদা ইহুননা/ইঙেন নঙনা শাৎপদি/লৈরাং নাওৱা মখোয়রেল/হা শিঙেন ইঙেল্লে/লৈরাং কোলোয় থোনখ্রে।***

মতৌ অসুম্না লৈরোল শৈথানা ইঙেল্লে অসি অচম্বা লৈরাং নত্তে, পুৱারীগী থৌদোক ৱাথোক্লা শাগোন্নদুনা লৈরকখিবনি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। লৈরোল শৈথা অসিদা কোরৌ অঙানবদা, তেন্দম্নবগীদমক খ্বাই লাইরৌলেন্বীনা মপাগী মফমদগী কোংয়াং ৱা নিরবগী মতাংগা নুমিৎ কাপ্পা পুয়াদা য়াওরিবা কংলৈদা পানখিবা নুমিৎ মচিন মনাও (তাউহুইরেং অহানবা অমসুং নুমিৎ সনা খোমদোন) অনীগী লৈঙাক থৌদা ইনবদা চোকথরবা খ্বাই নোংচেংবম পীবানা মাগী তালোয় থাদুনা মপাগী মফমদগী নিরকখিবা ৱা অদুনা শাবা তেন্না ময়াম্বা তাউহুইরেংবু কাপথখিবা ৱারীগা মরী লৈনব্রা হায়বদু নৈনবা মথৌ তারি। মসিনা তোঙানবা হীরম অমা ওইনা থমগ্রগা লৌখৎনীংবদি লৈরোল শৈথানা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লি মদুদি ৱা য়ানবা হায়বসি তরাই তরাইনা লৌনরমদে, চৎন-কাঙলোন খরা ইনবা তারম্মী। লিক্লম কাঙলোন খঙদনা মফম মতম নাইদনা ৱা য়ানবনা মীওইবদা অমাঙ অতা থোকহল্লি হায়বসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা মমুৎ তানা খঙলম্মী হায়বসি ময়েক লানা উৎলি। পঙহায় হায়জিনবা নত্তে থেংনরকপা, উরকপশিংদু চেকশিন্না য়েংদুনা নৈনরবা মতুংদা ফংকলখিবা লৌশিং অদু মীওই খুন্নাইদা খূৎশিন্নবীরম্বনি হায়না লৌবসু য়াই। মমাঙঙৈদা ৱা পান্বীনা তাইবঙ মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিংবু মশক খঙনা ৱা মখল মথেল মরাং কায়না থারম্মী। অসুম্না লাইগী মতিক ময়াই য়াওই হায়না থাজনরম্বগা লোয়ননা ৱা হোঙবা কুম্মৈনচিংবা পাঙথোকপা অমদি মসিগা মরী লৈনবা ঈৱাৎ থৌনি তৌনরম্বগী ৱাফম ৱারী লাইরিকশিংদগী ফংবা ঙম্মী। অসিগুম্লবা ৱাগী মতিক ময়াইবুসু খঙহল্লিবা ইঙেল্লে লৈরোননি। লমদম অসিদা ইঙেল্লে লৈরাং শাৎলম্বনা মমাঙঙৈ মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা লৈরাং মাবু শীংথাদুনা লৈরোল শৈথা থন্বীরল্লে। লৈরাংগী নুংওন শৈরোলসু মমাঙঙৈ মতমদগী হৌনা মীরোল মথং মথং লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা খুনুং শৈশক্তা অৱাংবা ফিদা কন্দুনা থল্লি। হৌজিক্তি চাওথোক্লা হায়বা ঙম্মী মদুদি মতম অমগী লাইবক থীবী ইঙেল্লেগী ৱারীদো থূপচিনখ্রে। কনাবুসু কিরুবা লৈতনা লৈকা ফন্না শাত্তুনা তাইবঙ পূক্লিং শুমহত্তুনা মতিক মগুণনা য়োল্লবী লৈরাং ওইরে। ঙসিদি চীং তম অনীমক্তা থৌনা ফনা লৈশাৎ তল্লিবী লৈরাং ইঙেল্লেনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

এম এল এ রাধেশ্যামনা অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা খোংজাউ শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : হৈরোক তুরেলগী ঈশিং চাওরকপদগী হৌখিবা থাংজা নুমীৎতা তুরেল মরিল অসিগী হৈরোক পার্ট ২ ধকারোক মপাদা শাবা চেক দামগী মমাং থংবা শরুক্তা চাওরাক্লা ফুট ১০ হেন্না লৌনম্বাল কায়খিবা অদু হৈরোক এ সীগী এম এল এ দা. থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়নরুবা নাইদনা খুদক্তা ম্যেনপাৱর অমদি অচঙবা শেনফম পুথোক্লগা মপুং ফানা শেমজিনবা লোইখ্রে হায়রি।

দাম অসিগী মমাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা লৌনম্বাল কায়খিবা অদুনা মরম ওইরগা দাম অসিনা ঈশিং পীরম্বা লোকলাউবুং খোংজাউ ঈশিং কাবা ঙমদদুনা ঈশিং তৎপদা নত্তনা হৈরোক পার্ট ২ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ঈশিংগী লিক্লমসু তৎখিদুনা মীয়ামদা নুমীৎ নীনি রোম ঈশিং পীবা লেপ্পুরবনি। তুরেলগী কায়খিবা শরুক অদুবু শেমজিনবগী থবক থৌরম অদুদা দাম অসিদগী ঈশিং পীরিবা লোকলাউবুং খোংজাউদগী ঈশিং চাবা লৌমীশিং অমসুং হৈরোক পার্ট ২ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটিগী থৌ পুবশিংনসু মতেং পাংখি।

লৌনম্বাল শেমজিনবা অদুদা শরুক য়াখিবা হৈরোক পার্ট ২ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ভি দব্লিয়ু এস সীগী সেক্রেটরি কেঐচ তোম্বানা ফোঙদোকখিবদা ধকারোককী দাম অসিগী মমাং লোম থংবা শরুকতা লৌনম্বাল কায়খিবা অদু এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়নরুবা তৌদনা জে সী বি অমদি অচঙবা শেনফম পূম্নমক পুথোকপীরগা নীংথিনা শেমজিনবিবা অসি য়াম্না নুংঙাই। খোংদা ঈশিং লাকখিদবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিনা নুমীৎ নীনি রোম ঈশিং পীবা লেপ্পুবা অদুসু ঙসিদগী ঈশিং থাবা হৌরগনি। লোকলাউবুং খোং অসিদা হাজিন্দুনা ঈশিং চেনবদা থিংলম্বা অদুসু নীংথিনা শেমজিনবিখ্রে। খোং অসিদগী ঈশিং চাবা লৌমী কয়া অমসু ঙসিদি হরাউনরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, হান্না দাম অসিগী ক্যের টেকর লৈতবদগী মপু পান্দবা দাম অমা ওইরম্বনি। অদুবু এম এল এ রাধেশ্যামনা থা খরগী মমাংদগী হৌনা দাম অসিগী ক্যের টেকর অমসু এম এল এনা হাপ্পিখ্রে। ক্যের টেকর অসিগী থাগী অৱামলসু এম এল এনা পীবিরি। মসিগীদমক্তসু এম এল এ রাধেশ্যামবু লৌমী মীয়াম অমদি ভি দব্লিয়ু এস সীগী মায়কৈদগী তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মালেমদগী মোব লিঞ্চিং মুখৎনবা অকনবা লো অমা শেমগদবনি : এস ঈ দব্লিয়ু ও

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : মালেমদগী মোব লিঞ্চিং মুখৎনবা অকনবা লো অমা শেমগদবনি হায়না সোসল এন্দ এদ্যুকেসনেল ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এস ঈ দব্লিয়ু ও) মণিপুরগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট য়াশির কোরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী অসিগী জুলাই ২০দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা সঙ্গাই য়ুন্ফম পার্ট ১দগী মৌলানা রিয়াসদ (২২) অপোকপগী মমিং মোহম্মদ মনি খান অমদি মীওই ২বু খেলা খোংগী মীয়াম অমদি লৈশাংথেমগী মীয়াম্না হুরানবা ওইরম্বা য়াই হায়দুনা তমথিনা ফূরগা মৌলানা রিয়াসদপুনা মীহাৎ থীনা হাৎপিখি। মীওই ২ অদুবুনা তমথিনা ওৎ-নৈবিরগা শিনিংচিৎতা থন্বিরমখি। ইন্দিয়া অসি দিমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমনি। দিমোক্রেসিদা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং লৈ। অমদি মখোয়গী মথৌসু তোঙান তোঙাল্লি। জুদিসিয়রিবু মীওইবা খুন্নাইনা খুৎতা পায়দুনা মরাল লৈরম্বা য়াই হায়দুনা মীওই কয়াবু মফম মফমদা মোব লিঞ্চিং তৌদুনা মমল লৈরবা পুন্সি কয়াবু লন্মখাঙদা পিখন্নহনখ্রে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মৌলানা রিয়াসদকী মীশি অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক ফাবা খক্তা নত্তনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীদুনা মতুংদা অসিগুম্বা লাইবকথীবা থৌদোক অসি থোক্তনবা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি। হৌজিক পাস তৌদনা লৈরিবা মোব লিঞ্চিংগী এক্ট অদু খুদক্তগী পাস তৌবিদুনা মালেমদগী মোব লিঞ্চিং মুখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি।

মরাল লৈতবা মীবু হাৎপিরগা মরাল পীশিনবগী চৎনবী অসি মণিপুরদা মতম কয়াদগী চৎনরক্লি। অসিগুম্বা তমথিরবা চৎনবী অসি এস ঈ দব্লিয়ু ও মণিপুরনা মতম চূপ্পদা য়াবা ঙল্লোই। মৌলানা রিয়াসদ লুহোংগদবা নুমিৎ মঙানিখক্তা ঙায়রবা মীশক অমনি। মঙোন্দা শীরিবা মরাল অসি য়ুন্ফম য়াওদবনি। মীওইবা অমবু শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎ চৎপিরগা তমথিনা ওৎ-নৈবিরগা হাৎপীবা হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা লৈবাক অসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়বসি ইকায়বা ফাওই।

মীশি অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা এস ঈ দব্লিয়ু ও মণিপুরনা মপুঙ ফানা শৌগৎকনি অমদি অচুম্বা ফংনবা হোৎনবদা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

হার বেগ ৬০০ অতাবা মমলদা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি লোট্টরি বেসিসতা খনগৎলবা কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা লৈকায় ১২দা হার বেগ ৫০/৫০ পুন্না হার বেগ ৬০০ লৈঙাক্কী অহোঙবা মমলদা য়েন্থোকখ্রে।

এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা হার ফংদ্রিবা লৈকায়শিংদসু মখা তানা অথুবা মতমদা লৌমীশিংদা মথৌ তাবা হারশিং পীগনি হায়না এম এল এ লোকেশ্বরনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হন্দক কুমগী নোং থেঙনা লাকপনা লৌমীশিংনা লৌ পানবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরম্বনি। অদুবু লৌ হৌবা ঙমদবা লৌফম কয়া ঈশিং খরা লাকপদগী হৌজিক মীয়াম্না লৌ পান্দুনা অকনবা থবক পায়খৎনরি।

বি সী এম এফ জি কৌবা গ্রুপ অমা শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : শৌগাইজম শুনিগী য়ূমদা চন্না পাঙথোকখিবা মীফম অমদা বিষ্ণুপুর কোনুং মোঙ্কি ফিদিং গ্রুপ (বি সী এম এফ জি) কৌবা গ্রুপ অমা শেমখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম তোম্বী, সেক্রেটরি শৌগাইজম সুনিল অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি হাউরোংবম সুশিলনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, বিষ্ণুপুর কৈথেলদগী নোংচুপলোমদা চৎলগা লৈরিবা চীংদুম মচা হৌজিক্লা সী আই কোলেজনা লৈরিবা মীয়াম্না বিষ্ণুপুরগী কোনুং হায়রগা হেন্না খঙনরিবা মফম অসিদা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী কোনুং ইমা লাইরেম্বী মশাইগোন্দা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লবা য়োংশিং অসিগীদমক মীওই কয়ানা মীৎয়েং চঙবিদুনা লাক্লি। য়োংশিং অসিবু নুংশিবিবা মীওই কয়ানা অহেনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা নোংমগী অয়ুক অমদি নুংথিলগী মচিঞ্জাক লেপ্তুনা পিজনবগী ৱাখল্লোলগা লোয়ননা গ্রুপ অসি শেমখিবনি। নৌনা শেল্লবা গ্রুপ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি বিষ্ণুপুরগী অকোইবদা অমদি অতোপ্পদগী লাকপা য়োংশিং অসিবু নুংশিবিবা পুকচেল চাওরবা-চাওরবী কয়াবু গ্রুপ অসিগী দোনর মেম্বর ওইবিনবা হায়জবগা লোয়ননা কুম্বী কালেন নাইদনা, নোংজু-নুংশা, বন্দ-ব্লোকেদ থীদনা নুমীৎ খুদিং অমদি নুংথিলগী মতমদা য়োংশিং অসিদা মচিঞ্জাক পিজবা হায়বসিনি।

বিষ্ণুপুর কোনুং মোঙ্কি ফিদিং গ্রুপ হায়না মীংথোন্দুনা নৌনা শেল্লবা গ্রুপ অসিনা কন্না হোৎনজদুনা হৌখিবা থা জুলাই ১দগী হৌদুনা মেম্বরশিংনা কাংলুপ অনী থোক্তুনা নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক অমদি নুংথিলগী লেপ্পা লৈতনা য়োংশিং অসিগী মচিঞ্জাক পিজদুনা লাক্লি। ঙসি-ঙসিমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা খমথেংনা ৱানরবা মতম ফাওবদা গ্রুপ অসিগী দোনর/মেম্বরশিংনা ইশা-ইশাগী ইথৌদাংনি খন্দুনা অৱাবা থীদনা য়োংশিং অসিগীদমক থৌগল তৌদুনা লাক্লি। বিষ্ণুপুর কোনুং মোঙ্কি ফিদিং গ্রুপ অসিনা য়োংশিং অসিগী শাফনবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং মরুওইনা নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক অমদি নুংথিলগী মচিঞ্জাক পীজনবা অমদি অতৈ-অতৈ ৱাফম কয়া লাকপদা অমদি কনাগুম্বনা গ্রুপ অসিদা য়াওবিনিংবা লৈরগদি মখাদা পীরিবা নম্বর ৮৮৩৭২৬৫৬৫৬; ৯৮৫৬৩০০৯০৫ অমদি ৭০০৫১৫৭৮৪৬ অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সুরেশ কৌবা লৈতে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা জুলাই ৩১গী নুংথিল পুং ৪.২৫ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও) টি ঐচ সঙ্করদেব অমদি এস দি পি ও বিদ্যাপতি থিংবাইজমনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা সলাম ইন্টরভিলেজ রোদকী থোংখোং মপাদগী অঙৌবা মচুগী ফ্লেগ পোষ্ট য়াওবা ফোর্চুনর অমদগী য়ুঙৌ লিটর ৬৭৫ ফাখিবগা মরী লৈননা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা ফারবা মীওই অদু লাংজিং মখা লৈকায়দগী লোইতোংবম সুরেশ অপোকপা লৈখিদ্রবা সুনিল কৌই হায়রিবা মীওই অসি লৈকায় অসিদা লৈতে। পুলিসনা মরালগা লোয়ননা ফারবা মীওই অমগী আইদেন্টিটি নীংথিনা চেক তৌদনা লৈকায় অমগী মিংচৎ থীহনবা অসি লাইবক থীবনি হায়না দ য়াইফ লমজিং ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

কফ সিরফ বোট্টল ৫০, অহাঙবা ২০০গা কোন্ননা মীওই ৪ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি এন হেরোজিৎ, আই পি এস অমদি পোরোম্পাৎকী এস দি পি ওগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক্স সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ দেবকুমার অমদি য়াদা ক্ষেত্রিগাউঙ্গা পুন্না খুৎশম্নরগা ৱাংখৈ থাংজম লৈরক্তা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম সঙ্গিটা (৩৮) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কোন্থৌজম জয়ন্তা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদা লৈরম্বা কফ সিরপ বোট্টল ৫০ অমদি অহাঙবা বোট্টল ২০০গা কোন্ননা ফাখি হায়রি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা লিলোং চীংখা মখাদগী এম দি নুরুন অমিন (২৬) অপোকপা এম দি জলালুদ্দিন কৌবা অমসু ৱাংখৈ থাংজম লৈরক্তগী ফাখি। মঙোন্দগী অঙাংবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমগা কিপেদ ফোন অমগা ফংখি। মঙোন্দা ৱাহং পাউহং চথবদা শিংজমৈ মখা ময়েংবম লৈকায়দগী সলাম রাজু (৩৫) অপোকপা জয়ন্তা কৌবা অমসু নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবদা স্মার্ট ফোন অমগা চেভ্রোলেট কার অমা, পুলিসকী আই দি কার্দ অমা (অশাবা) অমা য়াওনা ৱাংখৈ থাংজম লৈরক ক্রোসিংদা ফংখি। মহাক্লা ফোঙদোরকপদা কৈরাও অৱাং লৈকায়দগী এম দি অকবর (৩১) কৌবা অমা নুংথিলগী পুং ৩.৪৫ তাবদা নহারুপ থোংখোংদগী ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু লিগেল এক্সন লৌখৎনবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

ৱাংখেম এ সীগী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : সেভা হি সঙ্গথন ফেজ-২গী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী য়ূমথোং খুদিংদা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং সোসল ৱার্কর খারিবম জিবননা য়েন্থোকখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর খারিবম জিবননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীবা ঙম্বা অওনবা, মীপান তাংদবা, ৱাৎত-পাদবা, চাওখৎপা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অমা শেম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি, মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়খি। চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী লিশাং শিংনা চৎথরকপা থৌরমগী মনুংচন্না য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ৱার্দ নম্বর ৩গী মফমশিংদা চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেম অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনীশুবা শাফুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মীয়ামদসু লাইচৎ অসিনা অৱাবা চৈথেং কয়া পীরক্লি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অমদি এ সী অসিগী লৈখিদ্রবা ইমুং-মনুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ইম্ফাল তুরেলদা তাখিবা এম দি ফরিস খানগী হকচাং ফংবা ঙমদ্রি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফালগী কে আর লেন গোলাপতিগী জি ঈ এস সী দি ওগী লম্পাক্তা নুপামচা ২০ লোম ফুটবোল শান্নদুনা লৈরিঙৈদা পুলিস কম্মান্দোশিংনা কর্ফিয়ু থুগাইদনবা লাউবা লাকপদা লম্পাক্তা শান্নরম্বা নহাশিং অদু কিদুনা চেন্নবদা এম দি ফরিস খান য়াওনা নহা ৪/৫না ইম্ফাল তুরেলদা চোংথরগা য়ূমদা হল্লকখি। অদুবু এম দি ফরিস খানদি ঈশিং ময়ায়দা ইরাক্লদুনা কনবিয়ু কনবিয়ু লাউরল্লগা লৈবা মীয়াম্না উনহৌই। অমদি পুলিস কম্মান্দো অদুনসু উহৌবগা লোয়ননা মথক্তা পুলিসশিং অদুদা কনবিয়ু হায়বা মীয়াম্না তাহৌই হায়না মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুর (এম সী এম)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হট্টা গোলাপতি য়ুনাইটেদ কাউন্সিলগী কনভেনর হজি অরাফটনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পুলিসনা ইরাক্লদুনা লৈরিবা ফরিস খানবু উনা উনা মতম চানা কনবিহৌদবা অসি লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা পুলিসকী অশোয়বসি মতুংদা লৈহন্নিংদে। হৌজিক কোভিদকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা মণিপুর পূম্বা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবদগী পুলিসনা মফম খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা লাক্লি। ঙরাং নুংথিল ৮শুবা আই আর বি (কম্মান্দো)গী সী ও য়াওনা অমদি স্কোটশিংগা লোয়ননা কর্ফিয়ু থুগায়বশিং তানশিনবা লাকপদা জে ঈ এস সী দি ওগী লম্পাক্তা ফুটবোল শান্নরম্বা নহাশিং তানশিনবদা কিদুনা নহা খরদি ঈশিংদা চোংথরগা মাগী মাগী ময়ূমদা হন্নখি। অদুগা ফরিসনা ঈশিং ময়ায়দা ঐবু কনবিয়ু কনবিয়ু হায়না লাউরগা লৈবা মীয়াম্না উহৌই। নহা অদু ইরাক্লবদু সী ওগী স্কোট কম্মান্দোশিং অদুনা উনা উনা মীয়ামদা কনবিহৌ হায়বা তাহৌই। পুলিস কম্মান্দোশিং অদুনা নহা অদু কনবিহৌদবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি। মীয়ামদা কর্ফিয়ু কন্ট্রোল তৌনবা পুলিস কম্মান্দোশিংনা কিহন খংহনবা অসি লেপ্পীয়ু। ঈশিংদা তাশিনখ্রবা ফরিস খানগীদমক্তদি থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবক থীবনি। হৌজিক মহাক্কী মশা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) অমদি নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না থিবগী থবক কন্না চত্থরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, কোভিদ শন্দোক্তনবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোন অমদি কর্ফিয়ুগী চপ চাবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা কাউন্সিল অসিনা হোৎনরগা লাক্লি। মমাঙদা লৈরম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি অমদি ও সীশিংগা মতম মতমগী তানদুনা কোভিদকী মতাং অমদি অতৈ ইস্যু কয়াদা তানরগা কন্ট্রোল তৌদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক্কী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি অমদি ওফিসরশিংনা কোভিদকী মতাংদা করিগুম্বা তানবা অমদি হায়রকপা অমত্তা লৈতে। সুমহাইনা শুম তৌরবদি পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা অকায়বা লাক্কনি। মতম খুদিংমক্তা মরী ফনবা হোৎনজরি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎপিয়ু অমদি কর্ফিয়ু থুগায়বিগনু হায়জরি হায়খি।

লৈখিদ্রবা অরিফ খানগী মচানুপা অমা লৈরে। মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমদি লোয়নবী লৈতরে। হৌজিক মচে অমদি মবাইনা য়েংশিল্লগা লাকপনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহাক্কী ইমুং মনুংদা মতেং খরা পাংহন্নিংই হায়না কাউন্সিল অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌরক্লি।

মরকসিদা, মণিপুর ফায়র সর্ভিস এস দি আর এফ অমদি এন দি আর এফকী কাংবুনা ফরিস খাননা তাখিবা মফম অদুগী অকোয়বদা থিবা-হূম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অদুবু হৌজিক ইম্ফাল তুরেল অসি ঈশিং চাউবনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাং অদু চেম্থুরল্লগদ্রা হায়না মীয়াম্না থাজনরি।

য়াদানা কন্দেম তৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) : ৱার ওন দ্রগকী খোঙজংগী পরিংদা লিলোং হঙ্গামথাবীদগী এম দি রসিদ অপোকপা হজি অব্দুল হকিম (রিটায়র্দ এস দি ও) গী ফেমিলি মেম্বরশিংনা থম্মোয় শেংনা য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (য়াদা)গা থবক তৌমিন্নরিবা পুলিস ওফিসরশিংগী মথক্তা অতম্নুনা এলিগেসন তৌরকপা অসি য়ানিংদে হায়না য়াদাগী জেনরেল সেক্রেটরি অরিবম অজি খাননা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ৱার ওন দ্রগ খোঙজংদা তেমশীংনবা হোৎনরকপনি হায়না য়াদানা লৌই। হৌখিবা জুলাই ১৮দা য়াদানা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী এস পি, থৌবালগী অয়াবা লৌরগা লিলোং পি এসকী এস আই ৱাকিবুদ্দিননা লুচিংবা টিম, থৌবাল সী দি ও টিম অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন লোয়ননা য়াদা য়াওনা অপুনবা টিম অমনা দ্রগকী কিংপিন এম দি রসিদ অলিবু লিলোং হঙ্গামথাবীদা লৈবা য়ূমদগী হেরোইন নম্বর ৪, সাপোন কেপ ১১গা লোয়ননা ফাখি। ময়ূমদা দ্রগ লৈরম্বদগী মহাক ফারবা মতুংদা লিলোং পুলিসতা পুরকখিবনি। মহাক ফারবা মতুংদা ৱাহং পাউহংসু চত্থখিবনি হায়রি।

The Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.
Administrative Office, M.G.Avenue,Imphal

ꯈꯪꯍꯟꯅ / NOTICE
Imphal, the 30th July 2021

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022, the Election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. scheduled on 2-12-2018 was not held in time due to litigation in different law courts. However, by the Judgment Order dt. 21-6-2021 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in W.P.(C) No. 1009 of 2019 with WP©1059 of 2019 with WP(C) No. 207 of 2019 with MC (WP(C) No. 17 of 2020 (Ref. W.P(C) No. 1009 of 2019 with MC (WP (C) No. 19-2020 (Ref. WP (C) No. 1059 of 2019 with MC (WP (C) No. 171 of 2019 Ref. (W.P. (C) No. 207 of 2019 with MC W.P.(C) No. 33 of 2020 (ref. MC W.P © No. 17 of 2020 (Ref. WP © No. 1009 of 2019 , has directed to proceed with the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank in view of the Notice dated. 20-11-2018 issued by the Returning Officer . In this regard, the R.C.S., Manipur vide letter No. B-Coop/1/IUCB/Case /2019 dt. 09-07-2021 has also directed to proceed with the Election of the Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd in pursuance of the above mentioned Judgment Order of the Hon'ble High Court of Manipur.. Accordingly, the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on the date, time and place as given below.

Date of Election	Venue	Poll hour
Tuesday, 17-08-2021	City Convention, Palace Gate Imphal East.	10.00 a.m. to 3.00 p.m.

Therefore, all concerned Delegates are requested to attend the meeting in time.

Please note:
1. Election Rules, List of Delegates will be available from the Administrative Office of the Bank during office hours on payment at the prices notified earlier.
2. Membership Transfer Books of the Bank will remain closed till the completion of the Election.
3. Member- Delegates who carry Identity Cards issued by the Bank will be allowed to enter the meeting Hall(duplicate Identity Cards will be issued if found lost on or before 10-08-2021 during office hours).

By Order of the Administrator.
R. K. Tikensana
General Manager(i/c)

HL-P/6374/1,2,3